দিল থাদোকপা য়াই

দুবাই, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱিথদ্রো তৌবা হায়বসি ইরানগী ওপসনশিংগী মনুংদা অমনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইরানিয়ন প্রসিদেন্টকী চীফ ওফ ষ্টাফ মহমৌদ ভেজিনা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা ৱাফম অসি প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা মমাংদা য়ুরোপিয়ন পৱারশিংদা ইদুনা খঙহনখ্রবনি হায়রদুনা ভেজিনা হায়খি মদুদি, ইরানগী ফাইল কনাগুম্বা খরনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুবা য়াই। করিগুম্বা মসি থোক্লকপা তারবদি ঐখোয়না ন্যুক্লিয়র দিল থাদোকপগুম্বা হেন্না কনবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্কনি।

এয়রক্রাফট ১৫ ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মদুরোগী গভর্নমেন্টতা প্রেসর হেন্না পীনবা লৌখৎলকপা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংদা য়ু এস গভর্নমেন্টনা ভেনিজ্যুএলান ষ্টেটনা চল্লাইবা ওইল কম্পনি পেট্রোলিওস দে ভেনিজ্যুএলাগী এয়রক্রাফট ১৫ অথিংবা থল্লবা প্রোর্পটিনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ক্লাইমেটনা ময়ুম-মকৈ থাদোকহল্লবা মীওই মিলিয়ন কয়াগীদমক্তা মালেম্না শেম-শাগদবনি : য়ু এন

দাভোস, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
ক্লাইমেট চেঞ্জনা চৈথেং পীবদগী ময়ুম-মকৈ থাদোক্লরবা মীওই মিলিয়ন কয়াগীদমক্তা মালেম অসিনা তঙাইফদনা শেম-শাগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর রেফ্যুজিজনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমদা এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা ফিলিপো গ্রান্ডিদনা হায়খি মদুদি, চয়োল অসিদা য়ু এন্না পীখিবা রুলিংদি মরু ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওইশিংবু মালেম্না ঙাকপি শেনবীবদা মতিক চাই অমসুং অসিগুম্বা ক্রাইসিস অসিদা গভর্নমেন টশিংনা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌগদবনি হায়বসিনি।

য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কম্মিটিনা পেসিফিক্কী লৈবাক কিরিবাতিগী আইওনে তৈতিওতানা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মরু ওইবা রুলিং পীখিবনি। ন্যু জিলেন দগী ওথোরিটিশিংনা মীওই অসিদা চঙজফম পীরকখিদ্রবা মতুংদা মহাক্না ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎখিবনি।

রুলিং অদুনা হায়রি মদুদি, করিগুম্বা ক্লাইমেট চেঞ্জ, ক্লাইমেট ইমর্জেন্সিনা মরম ওইদুনা নহাকপু অকিবা পীবা লৈরবদি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা নহাক্না বোর্দর লান্না অতোপ্পা লৈবাক অমদা চৎপা তারবদি লৈবাক অদুনা নহাকপু হলহনবা য়ারোই। করিগুম্বা নহাক্না হনবা তারবদি লানগী ফিভম অমা নৎত্রগা লাইনিং লাইশোনচিংবদা য়ুম্ফম ওইরগা ওৎন নৈবগী ফিভম অমা মায়োক্নগুম্না নহাক্কী পুন্সি খুদোংথিবা ফিভম মায়োক্নবা য়াই।

গ্রান্দিনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৫ দগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইদুনা লাক্লবা মাইগ্রেন্টকী ৱাথোক অসিগী মতাংদা য়ুরোপিয়ন গভর্নমেন টশিংনা ৱাখল তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মশাগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা ময়ুম থাদোক্নুনা পলেপফম খঙদনা চৎনরিবা মীওইশিংগীদমক্তা ঐখোয়না শেম শাগদবনি হায়খি।

স্কুলদগী ফাখিবা অঙাং ২৪ রেস্ক্যু তৌখ্রে

য়াওউন্দে, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
কেম্মরুনগী ইরাং কনবা ইংলিস লোল ঙাঙবা লমদম মেমে দিভিজন্দা খুৎলায় পায়বা সেপরেটিষ্টশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা স্কুল তল্লিবা অঙাং ২৪ কেম্মরুনিয়ন ট্রুপশিংনা রেস্ক্যু তৌরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না অঙাংশিং অদু লৈবাকপোকপ নুমিৎকী অঙনবদা লৈবাক অদুগী খা নোংচুপ থংবা সিটি কুম্বাদা লৈবা মখোয়গী স্কুলদগী কিদনেপ তৌরগা সেপরেটিষ্টশিং অদুগী কেম্প লৈরিবা উমংদা পুখিবনি হায়না মেমে দিভিজনগী সিনিয়র ওফিসর নতৌ নদোং চেম্বরলেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা খুৎলায় পায়বা সেপরিটিষ্ট অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি অমসুং মফম অদুদগী য়াল্লবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিং লৌখৎখি। চহী ৫ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অদু ময়ুম ময়ুমদা শীন্নখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি। জেনরেল ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা কেম্মরুনগী খা নোংচুপ অমদি অৱাং নোংচুপ লমদমশিংদা মী ফাবগী থৌদোকশিং কোইরকখিবনি।

য়ু এস এম্বেসি এটেক ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরনা কন্দেম তৌখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদতা লৈবা য়ু এস এম্বেসিদা রোকেট এটেক চথখিবগী থৌওং য়াফম থোক্তে হায়রদুনা লৈবাক অসিগী কিয়র টেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মহাদিনা কন্দেম তৌখ্রে।

ঙরাং য়ু এস এম্বেসিদা কটয়ুসা রোকেট কয়া কাপশিল্লকখি। মদু য়াম্না চুমদবা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক্নি। কনা কনানা ইরাক্তা লৈবা এম্বেসি অদুদা এটেক তৌনবগী অয়াবা পীবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চয়োলগী ওইবা কেবিনেট মীফম অমা লোইরবা মতুংদা মহাদিগী ওফিসনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

এটেক্করশিং অদুগী মমিং পন্দবিদা মহাদিনা অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ইরাক্ত চাওনা অকায়বা পী হায়না পল্লদুনা মখোয়গী পান্দমনা অমা ওইরবসু অসিগুম্বা এটেকশিং অসি য়াফম থোক্তে হায়না মখা তাখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা ইরাক্কী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, সেন্ট্রেল বাঘদাদতা লৈবা নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা গ্রিন জোনদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী মনাক নক্লা কটয়ুসা রোকেট অহুম তাশিল্লকখি। থৌদোক অদুদা মীশি-মীনানচিংবদি থোকখিদে।

নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা লৈরিবা গ্রিন জোনদা লালহৌবশিংনা মোর্টার অমসুং রোকেট এটেক কয়া তোয়না চথদুনা লাক্লিবনি। স্কৱার কিলোমিটর ১০ রোম পাক চাওবা গ্রিন জোন অসি ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদপু ময়াইদা খায়রিবা তাইগ্রিস তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্ব্বানদা লৈরিবনি।

য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবা মতুংদা চথরকখিবা এটেক অদু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। জন্যুৱারী ৮ দা ইরান্না ইরাক্কী নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স অনবার অমদি সেমি-ওতোনোমস রিজন কুর্দিষ্টানগী কেপিটেল ঈর্বিল সিটিগী মনাক্তা লৈবা য়ু এস ট্রুপশিং থল্লিবা মিলিটরি বেজশিংদা বলিষ্টিক মিসাইলশিং কাপশিন্দুনা এটেক চথখিবনি। ইরানগী এটেক অদু জন্যুৱারী ৩ দা বাঘদাদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা য়ু এস দ্রোন ষ্ট্রাইক চথদুনা ইরানগী ইস্লামিক রেভোল্যুসন গার্দস কোরগী কুদস ফোর্সকী কম্মান্দর কাসিম সোলৈমানি অমসুং ইরাক্কী পেরামিলিটরি হসদ সবি ফোর্সেসকী দেপ্যুটি চীফ অবু মহাদি অল-মোহান্দিস হাৎখিবা মতুংদা চথখিবনি।

য়ু এন চীফনা লিবিয়াদা সীজফায়র চৎনহন্দুনা পোলিটিকেল প্রোসেস হৌনবা আপিল তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
মরী লৈনবা খুদিংমক্না লিবিয়াদা সীজফায়র চৎনহনবগা লোয়ননা অশেংবা পোলিটিকেল প্রোসেস অমা হৌনবা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুতরেজনা আপিল তৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লিবিয়াগী মতাংদা পাঙথোকপা বর্লিন কনফরেন্সকা মরী লৈননা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙখিবা গুতরেজনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, লিবিয়াগী ৱাথোক অসিদা তৌগদবা কয়া অমা লৈরি। হৌজিক ট্রুস অমা চৎনহনবা লৈরে। তৌইগুম্বসুং মতাং খরদা ট্রুস অসিবু খোঙ্গাওনবগী থৌওং খরসু চথবা উরে।

ট্রুস খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং পাক্তক্না চথবদি নত্তে। হৌজিক য়াম্না তঙাইফদ্রিবসি সীজফায়র অমা চৎনহনবা অসিনি। সীজফায়র চৎনহল্লবা মতুংদা অশেংবা পোলিটিকেল প্রোসেসতা লাকহনগদবনি।

সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অদু মরু ওই হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, মীফম অদুনা কনফ্লিক্ট অদুগী পার্টিশিং অমসুং হৌজিক লৈরিবা ফিভম অদুদা ইথিল পীবা ঙম্বশিংদা রোদ মেপ অসি নীংথিনা ঙাকহন্নবা পার্টিশিংদা প্রেসর পীরি। ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী প্রেসর অসি য়াম্না মরু ওই। সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী থৌদাং অসিগুম্বা ৱাথোকশিংদা য়াম্না মরু ওই। নিংথৌকাবা নুমিত্তা বর্লিনদা পাঙথোকখিবা লিবিয়া কনফরেন্সতা গুতরেজনসু শরুক য়াখিবনি।

অমরোমদা মহাক্না বর্লিন কনফরেন্স অসিনা লিবিয়াগী ৱাথোক লোইশিন্নবগী অহৌবা খোঙথাংনি হায়নসু চেকশিন ৱা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ৱারেপশিংবু মরী লৈনবা খুদিংমক্না শৌগৎপা অমসুং অতৈ মতুং তাবা খোঙথাং কয়া লৌখৎপা হায়বসি তঙাইফদে হায়খি।

য়ু এন্না শকখঙবা ত্রিপোলিদা বেজ তৌবা গভর্নমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দকী প্রাইম মিনিষ্টর ফয়েজ অল-সেরাজ অমদি কুমজা ২০১৯গী এপ্রিলদগী ত্রিপোলি পায়শিন্নবা হোৎনরক্লিবা ইষ্টর্ন কম্মান্দর খালিফা হাফটরনা কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখি।

অনৌবা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া শিরকপদগী চাইনানা ট্রাভেল এদভাইজরি থোকখ্রে

বৈজিং, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
শাথিরবা সিভিয়র একু্যট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সার্স) কা মরী লৈনবা অনৌবা কোরোনাভাইরস (২০১৯ - এন সী ও ভি)না শোকহল্লবা ৱুহান সিটিদা চঙথোক-চঙশিন তৌদনবা চাইনানা মীয়ামদা পাউতাক পীখ্রে।

অনৌবা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা ন্যুমোনিয়ানা নাদুনা মীওই ৯ শিখিবগা লোয়ননা চাইনাদা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা কোরোনাভাইরসনা শোকহনবগী কেস ২৯১ কনফার্ম তৌখ্রে অমদি ভাইরস অসিনা শোকহনবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা কেস ৫০ অমসু থেংনরে হায়রি।

২০১৯-এন সী ও ভি হায়রগসু খঙনবা ভাইরস অসি হান্না মীওইবদা থেংনখিদবা কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অমনি। ভাইরস অসিনা শোক্লকপগী লায়ওংশিংদা লায়হৌ, লোক খুবা অমসুং শ্বোর হেনবগী প্রোব্লেমশিং য়াওরি।

ৱুহান সিটিদা লৈবা মেদিকেল কোলেজশিংদা ইন্দিয়াগী মহৈরোয় ৫০০ হেন্না মহৈ তম্লি। মখোয় অয়াম্বা চাইনিজ ন্যু য়রগী ছুটিগা মরী লৈননা ময়ুম ময়ুমদা হন্নখ্রে হায়না ইন্দিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, চাইনাদা ভাইরস অসিনা ইন্দিয়ন ওজা অমা শোকহনবগী কেস অমা লাকখিবা মতুংদা ইন্দিয়ানা হৌখিবা চয়োলদা ৱুহানদা চত্তনবা এদভাইজরি অমা থোক্তুনা ইন্দিয়ন সিটিজনশিংদা চেকশিন ৱা খঙহনখ্রনি। চাইনাগী হেল্থ ওফিসল অমনা মেদিকেল ষ্টাফ মরক্তা কোরোনাভাইরস শন্দোরক্লে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে হায়রি।

অফঘানিষ্টানগী ঘোর প্রোভিন্সতা টালিবান মিলিটেন্ট ৪০ সরেন্দর তৌখ্রে

কাবুল, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স ঘোরদা অকনবা মিলিটরি কেম্পেয়্যন অমা চথরিঙৈগী চৈরক্তা চীংগী লমদম অদুদা ওপরেট তৌরিবা টাবিন মিলিটেন্ট ৪০ অফঘান নেসনল আর্মিদা সরেন্দর তৌখ্রে হায়না অফঘান মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা য়ুমশকৈশা নুমত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নোংচুপ থংবা ঘোর প্রোভিন্সকী সাহরক দিষ্ট্রিক্টতা টালিবান মিলিটেন্ট ৪০ রোম খুৎলায় থাদোক্তুনা লান লেপখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সাহরক্তা অফঘান আর্মি, পুলিস অমসুং ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী পর্সনেল কাঙবুনা পুন্না মিলিটেন্টশিং থিবা হুম্বা অমদি তকথোকপগী ওপরেসন অমা চথরিঙৈদা টালিবান মিলিটেন টশিংনা লৈবাক্কী আর্মিদা সরেন্দর তৌবগী খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা সাহরক্তা টালিবান ১৫০ রোম আর্মিদা সরেন দর তৌখ্রে। টালিবান মিলিটেন্টশিংনা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসিনা অফঘানশিংদা কান্নবা পুরকপগী মহুত্তা মীশি-মীনা অমদি মাঙহন-তাকহনবগী থবক থৌওংশিংনা মীয়ামদা চৈথেং পীবনা হেল্লি হায়বসি হান্নগী মিলিটেন্টশিংনা খঙলকখিবা মতুংদা মখা তানা গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্ট কয়ানা মখোয়গী অরানবা লম্বী অদু থাদোক্লগা অফঘানিষ্টান্দা মরা তপ্পা অমদি শংদাইনবগী ফিভম পুরক্নবা হোৎনবগী প্রোসেসতা ওইনা য়াওশিন্নবা মখোয়না ৱারেপ লৌখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

আর্মিদা সরেন্দর তৌখিবা মিলিটেন্টশিং অদুনা মখোয়গী খুৎলায়শিংসু শীন্নরকখি হায়রি। জন্যুৱারী থাগী অঙনবা শরুক্তগী অফঘানিষ্টানগী মফম খুদিংমক্তা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা অকনবা ওপরেসন চথরকখিবদগী খুৎলায় পায়বা লালহৌবা ৩৫০ হেন্না সরেন্দর তৌখ্রে হায়রি।

ঠাশ্চসরাঁ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী সেরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাবা অদুনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, হকচাং নোংম-নোংমগী ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি পাঙ্গল শোন্থরকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী সেরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাবা অদুনা মরম ওইরগা খোঙ হাম্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা পোকপা, হকচাং নোংম-নোংমগী ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি পাঙ্গল শোন্থরকপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, শা-ঙা অমদি মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াওরকপা, অমাংথোঙ মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, অদুগী মতুংদা মতম খরা লৈরগা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক প্রিক-প্রিক খোংবা, চাবা তুমদবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, পুকচেপ নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ঙকশম মরী নাবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275/7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat. and Wed open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/5986/23 থাগৎচরিবা : R. K. Manglem Singh, Kongpal

ঠাশ্চসরাঁ/পাইলসকী ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

পাইলসকী অৱাবা খাংদুনা চহী ৩ লৈরকখি। লায়না-লায়ওংদি শৌজদা হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, শৌজ মনুংদা পোন্বা, মপান্দসু পেরে থোকপনি। চেকখাইরগা থুপ্পা-শাবা, গ্যাষ্ট্রিকনি। অতোপ্পা মাইবশিংগী হীদাক চাজখি, কান্নবা ফংখিদে। মমৈথংদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হীদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে, পাইলস মপূং ফানা ফজরে। ওজাবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)
থাগৎচরিবা : I. Hemanta, Moirangkhom Loklaobung
HL-P/5907/23

ঠাশ্চসরাঁ/ওজা এম ভি রিয়াজুদ্দিনবু পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি

খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা পোন্বা, খূৎনাওবীমুক চাউনা পোন্বা, শা-ঙা, থাও, অতেক-অনৌ চাবা নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা লৌকাং মচুমগুম্না অমসুং নপতোংগুম্বা য়াওবা, মরেং মরেং চৎপা, খ্বাং নাবা...

ঐগী হকচাংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী নুংশঙনা নাদুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, মতম কুইনা চংবা, মতম কুইনা ফম্লবগী মতুং মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খুনাওবীমুক চাউনা পোন্বা অদুনা মরম ওসরগা য়াম্না চিকপা-নাবা, শা-ঙা অতেকপা চাবা য়াদবা, অতেক-অনৌ চারগা হকচাং য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা লৌকাং মচুম মানবা য়াওবা অদুগা নপতোংগুম্বা মনাং য়াওবা অদুনা মরম ওইরগা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংবনা খেৎলগা ঈ য়াওবা অমদি তৈরকপা তৌরম্বা অদু ওজা এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়ামযূম ☎ 7085494783, 9856797338 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ওজাগী হীদাক মতম খরা চাবদগী মপূং ফানা হকচাং নুংঙাইরে অমসুং মপূং ফানা ফরে। ওজাবু পুন্সি চুপ্পা কাউজরোই, পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি।

লায়েংফম :-1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal.
2) Mayang Imphal Konchak Bazar.

HL-P/5993/23 থাগৎচরিবা : Y. Sobon, Waithou

ঠাশ্চসরাঁ/খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান্দু পোমথোকলগা শারৈগুম্না লৈবা, পোমথোক্লকপা অদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোন্লগা লৈবা অদুদগী নাই তারকপা, অমাংথোঙ অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগসু হাকৎচরকপা, গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা তুমদবা, চাবা-থকপসু য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ মপূং ফানা হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না ৱাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা গেসলিনগুম্বা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, অদু হেক য়াওরকপগা হকচাংদা চোকথবা, করিমত্তা তৌনীংদবা, অমাংথোঙ মপান্দু পোমথোক্লগা শারৈগুম্না লৈবা, পোমথোরকপা অদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোক্লগা লৈবা অদুদগী নাই তারকপা, ফম্বা মতমদসু য়াম্না নাবা হেল্লগা ফম্বা ঙমদবা, নিঙ্গাংনা ফম্লগা খিত্তং ফবা, ডোক্তরদা চৎলগা য়েংহনবা মতমদা পাইলসকী ইঞ্জেক্সন অহুম কাপ্লবা মতুংদা নুমিৎ মঙানি লৈরবা মতুংদা অমুক চিকপা-নাবা হৌরকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং মরেং চৎলগা হাকৎচরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা তুমদবা, চাবা থকপসু য়াদবা, পুকচেপ শাবা, থজিন শাওগৎপা, কল্লাক মরী নাবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-P/5805/23 থাগৎচরিবা : S. Shyam Singh, Nambol

TOMORROW TOMORROW
BUMPER HOUSIE DRAW
Orgd.by
ASEM LEIKAI DEVELOPMENT CLUB
Regd.697of1966
Ticket Rate: Rs. 1500/-
TIME: 6:00 PM
DATE : 2 JANUARY 2020
VENUE: KAKWA ASEM LEIKAI COMMUNITY HALL
MINI BUMPER
Ticket Rate: Rs.500/-
Houseful: Rs.2 Lakhs
10 HOUSEFUL ACTIVA 5G
ALL LINES: Rs.3000/-



HL-P/6031/23